অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# লনচেনবী এফ সীনা থোইবা এফ সী থিয়াম্বু মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই পার্ট থ্রীদা লৈবা পাৎশোই টুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লব (পি টি সী সী) না শীন দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তনা চথরকপগুম হন্দক চহীগী ওইনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা লনচেনবী এফ সীনা থোইবা এফ সী থিয়াম্বু মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।



টিম ২১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৭ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৪শুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা লনচেনবা এফ সী অমসুং থোইবা এফ সী থিয়াম লন্থা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক ফজনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী অঙনবা মতম মেচকী ৭শুবা মিনটতা লনমেচবী এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ হেরোজিৎনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। হেরোজিৎনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু লনচেনবী এফ সীনা অঙনবা মতমদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

থোইবা এফ সীগী মায়কৈদগীসু লনচেনবী এফ সীনা মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেচকী ১১শুবা অমদি ১৪শুবা মিনটতা লনচেনবী এফ সীগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেকশিং অদু টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৫ নোরেন অমদি জর্সি নম্বর ৪ অমিটনা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু লনচেনবী এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০দা চাউনা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। পাঞ্জল ৩ মাঙজিল থানা চৎলবসু থোইবা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা নিংহন্নবা লৈতনা মায়োক্নবা টিম লনচেনবী এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম ফজনা অমদি কন্না শান্নবা হৌরকখি।

মেচকী ১৫শুবা মিনটতা থোইবা এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ প্রিকান্টনা লনচেনবী এফ সীগী মাঙজিল থারিবা অহানবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু থোইবা এফ সীনা পাঞ্জল ১-৩দা লৈবা ঙমখি। থোইবা এফ সীগী মায়কৈদগী লনচেনবী এফ সীনা মাঙজিল থারিবা অতোপ্পা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লুবা অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ২২শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ রোসন্না লমচেনবী এফ সীগী পাঞ্জল অমগা হন্দোক্তুনা মেচ অদু থোইবা এফ সীনা পাঞ্জল ২-৩দা লৈখি। মিনট ২ কান্নরগা লনচেনবী এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২ ঙৌবনা মেচকী ২৪শুবা মিনটতা মহাক্কী টিমগী মরিশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা লনচেনবী এফ সীনা পাঞ্জল ৪-২দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা লনচেনবী এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। মেচকী ৩২শুবা মিনটতা লনচেনবী এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৩ মহেসনা মহাক্কী টিমগী পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেচ অদু লনচেনবী এফ সীনা পাঞ্জল ৫-২দা মাঙজিল থাখি। থোইবা এফ সীগী মায়কৈদগী চথরক্লিবা এটেকশিং অদু মায়োক্লরিবা লনচেনবী এফ সীগী মায়কৈদগী নিংথিজনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নবা হৌরকখি। মেচকী ৪৯শুবা মিনটতা লনচেনবী এফ সীগী শান্নরোয় মহেসনা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগী তরুকশুবা পাঞ্জল চনশিনখি। মেচ অসিগী অরোইবা মীৎকুপগী ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা লেনচেনবী এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় মহেসনা অমুক্কসু মহাক্কী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা হেটট্রিক লৌরগা মেচ অদু মহাক্কী টিমনা পাঞ্জল ৭-২দা চাউনা মাঙজিল থাখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা লনচেনবী এফ সীনা থোইবা এফ সীবু পাঞ্জল ৭-২দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

৬শুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# সী ঐচ ৱাই য়ু সী, পুংদোংবম এফ সী, সেক্তা-এ মায় পাকখ্রে, মেচ অমনা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক ককচীংদা লৈবা দি ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা ইবুধৌ খল্লাংবা লম্পাক্তা তরুকশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ, পুংদোংবম এফ সী অমসুং সেক্তা-এ সেক্তা মায় পাকখ্রে। অদুগা মেচ অমনা দ্রো চৎখ্রে।



টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ তরেৎ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা তরুকশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ অমসুং সোপলেং এফ সী লন্থা তৌনখি।

মেচ অদুগী ৮শুবা মিনটতা সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১২ এল ঙৌবনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা সী ঐচ ৱাই য়ু সীনা পাঞ্জল ১-০দা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাখি। মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চন্নবগীদমক অকনবা এটেক কয়া চথনরকখি। মেচকী ২৮শুবা মিনটতা সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২ এন জি ইংলেননা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা মেচ অদু সী ঐচ ৱাই য়ু সীনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাখি। মিনট ২ কান্নরগা মেচকী ২৯শুবা মিনটতা সোপলেং এফ সীগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৪ মার্থোনা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু সোপলেং এফ সীনা অমুক পাঞ্জল ১-২দা লৈবা ঙমখি।

সোপলেং এফ সীগী মায়কৈদগী সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী অতোপ্পা পাঞ্জল অদুসু হন্দোক্লুবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ এ মায়ঙৌনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনশিল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থারগা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা সোপলেং এফ সীগী মায়কৈদগী সী ঐচ ৱাই য়ু সীনা মাঙজিল থারিবা অতোপ্পা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ১৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.১০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এফকী পুংদোংবম এফ সী অমসুং এন ৱাই সী-এ নোংদম শান্নখি। মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক মায়কৈ অনীদগী অহানবা হাফহৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা এটেক কয়া চথনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ্তা পুংদোংবম এফ সীনা এন ৱাই সী-এবু পাঞ্জল ৬-৪দা মায়থীবা পীখি।

পুংদোংবম এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ পোইরৈতোনবা মেচকী ৪শুবা, ৮শুবা অমদি ৩৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩ চল্লগা হেটট্রিক লৌখি। জর্সি নম্বর ৭ তেলহৈবনা মেচকী ১৪শুবা অমদি ৩৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী অমসুং জর্সি নম্বর ১৫ ৱাসননা মেচকী ৩০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা এন ৱাই সী-এগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ এস রোনিনা মেচকী ১৭শুবা, ২৬শুবা অমদি ২৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩ অমসুং জর্সি নম্বর ৯ এল বোইতোন্না মেচকী ৩২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনখি।

লীগ রাউন্দগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী সেক্তা-এ অমসুং ৱাই এস দল্লিয়ু সী সাবুংখোক শান্নখিবা মেচ অদু সেক্তা-এনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল ৪শুবা অমদি অরোইবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ জিগী এ এস এস এ নোংপোক সঞ্জেনবম অমসুং সেক্তা-বি লন্থা তৌনখি। টিম অনীগী মায়কৈদগী অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইবা ফাওবদা এটেক কয়া চথনরবসু লন্থা চানা শান্নখিবনা মেচ অদু পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি। এ এস এস এগী পাঞ্জলশিং অদু এম তাইবংঙানবা অমদি এম রোজর অমসুং সেক্তা-বিগী পাঞ্জল অদু বিজেন অমদি জোনসন্না চনখি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এন ৱাই ভি এ অমসুং এম পি এস সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস)ঃ

অরোং খুঞ্জাও কাংজৈবুং দিভলপমেন্ট কন্মিটি (এ কে কে দি সী) না শীন্দুনা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন (এ এম ভি এ) গী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা ককচীং পোষ্ট ওফিস, ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবদা লৈবা অরোং খুঞ্জাওনা শীন্দুনা কন্মিটি অসিগী কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং এম পি এস সী মণিপুর পুলিস মায় পাকখ্রে।



টিম মঙানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং আই জি ও ওইনাম লন্থা তৌনখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা এন ৱাই ভি এনা সেট ৩-১ (২৫-২১, ২২-২৫, ২৫-১২, ২৫-২১) দা অমদি লীগ রাউন্দগী ৭শুবা মেচতা এম পি এস সীনা ৱাই দি সী লফুপাৎপু সেট ৩-১ (২৫-২১, ২৬-২৮, ২৫-২২, ২৫-১দা মায়থীবা পীখি।

# শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬১শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ, মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং এ আর সী শিলোং শান্নখিবা মেচ অদু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

# রেফ্রিশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) ঃ

ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন (এ এম ভি এ) মপান কাংজৈবুংগী মীৎয়েং মখাদা কাচিখুল য়ুথস লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টিং ক্লব (কে ৱাই এল এস সী) না শীন্দুনা থা অসিগী ৩১দগী এপ্রিল ৫ ফাওবা নুমিৎ তরুকনি চূপ্না পাঙথোক্ক-দৌরিবা অহুমশুবা মেন্স ভিলেজ লেভেল ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ওফিসিএট তৌনবা রেফ্রিশিং খনখ্রে। খল্লবা রেফ্রিশিং অদুদি নেসনল রেফ্রি এন জিতেন, সী ঐচ মঙলেম্বা অমদি কে রাম অমসুং ষ্টেট রেফ্রি ঈ ওজিৎ অমদি কে ঐচ সরতনি। টুর্নামেন্ট অসিবু কন্দক্ট তৌনবা খল্লক্লবা রেফ্রিশিংনা থা অসিগী ৩১গী অয়ূক পুং ১০ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯২

১। মখোঙ নাম্মা উনা হাপ্পা শান্নরোয় অমা ওলিম্পিক গেমসতা সনাগী মেদল অনী ফংখি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

২। ইন্দিয়াগী সঞ্জুনা টর্কিশ কপকী মেচ অমদা হেটট্রিক অমা ফংখি। মহাক্কী পাঞ্জল অনীদি মিনট ৩৭ অমসুং মিনট ৭১দা চনখি। অহুমশুবা পাঞ্জল অদু মিনট কয়াদা চনখি?

৩। ওলিম্পিক্তা টিম অনী (লৈবাক অনী) ফাইনেল শান্নগদবদা টিম অমদি শরুক য়াখিদে। মরমদি অতোপ্পা টিম অদুগী শান্নরোয়শিং অদু খোঙউপ বুট উপখি। মদুদা অতোপ্পা টিম অদুনা য়াখিদে। থৌদোক অসি করম্বা মশান্নদা থোকখিবগে?

৪। WAGON WHEEL করম্বা মশান্নগা মরী লৈনবগে?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯১গী পাউখুম মরি চুম্না থাবিরকখিবশিংদি

| | |
|---|---|
| ১) এল শর্মিলা, য়াইস্কুল জন্মস্থান | (৪) |
| ২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক | (৪) |
| ৩) আর কে গিরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং | (৪) |
| ৪) মাইবম মনিচন্দ্র, লাংমৈথেৎ, য়াইরিপোক | (৪) |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ- ৯১গী ৱিন্নর

*মাইবম মনিচন্দ্র, লাংমৈথেৎ, য়াইরিপোক (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)*

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৯১গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

এপ্রিল ০৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯১গী পাউখুম

১। করম্বা চহীদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতগী ফুটবোল শান্নরোয় চহী ২৩ হেল্লবা অহুম টিম অমদা শরুক য়াবা য়াহনখি ? :- 1996

২। মহাক চহী ৮১দা লৈখিদে, চহী ৭২ শুরকপদা ওলিম্পিক্কী মেদল অমা ফংখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু। :- OSCAR SWAN

৩। মহাক CESKE BUDEJOVICE তগী প্রেগ ফাওবা মাইল ১১৮ অসি মহাক্কী মরুপ BOHUSLAV KARLIK কা পুং ২০দা হি হোন্দুনা চৎখি। মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মহাক্কী মমিং পীয়ু। :- JAN BRZAK

৪। 'লৈকোই' হায়রগা মণিপুরগী লান্মীশিংনা করিবু খঙনৈ? :- কোক্কী অকোয়বদা থাঙ হাইবা।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? :- JEJE LALPEKHLUA

অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এফ এফ সী অংথা অমসুং তোলহৈ এফ সী তেন্থা মায় পাকপা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুর ইমাগী চাংদম্নফম ওইবা মচাশিং (মাইচোন) চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়না শীন্দুনা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়গী পোলোগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এফ এফ সী অংথা অমসুং তোলহৈ এফ সী তেন্থা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

টিম ১২না কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এফ এফ সী অংথা অমসুং মাইচোন এফ সী-বি চরাংপাৎ শান্নখি।

মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা এফ এফ সী অংথানা মায়চোন এফ সী-বি চরাংপাৎপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। এফ এফ সী অংথাগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ এন ওলেন্না মেচকী ৩২শুবা অমদি ৩৩শুবা অমসুং মাইচোন এফ সী-বিগী পাঞ্জল অদুনা ৱাই সুসিল কুমারনা মেচকী ২শুবা মিনটতা চনখি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী তোলহৈ এফ সী তেন্থা অমসুং য়াম্বেম এফ সী য়াইরিপোক শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা তোলহৈ এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাফ লোইশিল্লকপদা তোলহৈ এফ সীনা য়াম্বেম ওফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।




HL-B/5178/6/02-10/4(alt.)




HL-B/5228/23/2 to 27/4(alt)




HL-B/5235/27/2-30/4(alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com